ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পার্টি অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবগী ৭৭লক শুবা নীংশিং কুমওন থৌরমদা ওক্রম ইবোবীনা লৈ-শু কৎতুনা গান্ধীজিবু ইকায়খুম্নবা উৎখিবা


থম্মোয় পাউদম : মী অনীখক্লা পীরম্বা ইথিল ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মীওইবগী পুন্সিগী মচৎশিং ঐখোয়না খঙদবসি চুমদে

খাইদগী শাথিবা ব্রেন কেন্সরগী অনৌবা লায়েং পথাপনা ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ 'মোইরাং দিষ্ট্রিক্ট' অথুবা মতমদা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা...

ষ্টেটশিংনা ড্রাফ্ট তৌরিবা লেবর কোদ অসি য়ুনিয়ন... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ টি সী এম দি সী থোংজু মায়থীবা পীরম্লগা...


ওইনাম এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ইরেংবম নলিনিনা বিষ্ণুপুর হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মপোক কুমওন অমসুং লাইব্রেরি শঙ্গাবগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 48, Issue No. 295 | ইরাই, ফাইরেনগী নীনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, January 31, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎপা তোক্লবা মতুংদা এন পি পিগী এম এল এ ৫না ত্রেজরি বেঞ্চতা ফমহনবীয়ু হায়জরল্লে

## এন পি পিগী এম এল এ ৫গী লাইবক করি ওইরক্কদৌরিবগে পার্টিগী ফিরেপ খঙহল্লক্লবা এসেমব্লিদগী অইবা চেরোল পীরকখ্রে


এম রামেশ্বর


টি ঐচ শান্তি


জাংহেমলুং পানমৈ


আই নলিনি


কে ঐচ লোকেন

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :**
কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লি মীখলগী রিজল্টদা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী এম এল এ ৭ কারকখিবগা লোয়ননা মীখল অসিগী মতুংদা বি জে পিনা লুচিংদুনা শেল্লক্লিবা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎলক্লবা মতুং নবেম্বর ১৭, ২০২৪দা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা পার্টি অসিগী নেশনল প্রসিদেন্ট কোনড়াদ কে সংমানা অইবা চেরোল অমা (এন পি পি/হেদ ক্বার্টর/২০২৪/০০৫) বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দাদা পীদুনা নুমিৎ অদুদগী এন পি পিনা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎপা তোক্লে হায়না খঙহনখ্রবা মতুংদা পার্টি অসিগী মণিপুরগী অপূনবা এম এল এ ৭কী মনুংদা ৫না মখোয়বু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা ত্রেজরি বেঞ্চতা ফমহনবীয়ু হায়দুনা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লল্লে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি পার্টি অসিগী নেশনল ভাইস প্রসিদেন্ট অমসু ওইরিবা মমাঙগী লৈঙাক্তা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবা য়ুম্নাম জয়কুমারগা পাউচে অসিগা শানখিবা ৱারীদা মহাক্লা হায়, ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লি সেক্রেটরিএটকী মায়কৈদগী পার্টি অসিদা অইবা চেরোল অমা পীরক্লে। অইবা চেরোল অদু এসেমব্লিদগী হেক পীরকপগা পার্টিগী নেশনল প্রসিদেন্ট কোনড়াদ কে সংমাদা থাখ্রে হায়রি।

এসেমব্লিগী চেরোল অদুনা করি হায়রকখিবনো হংলুবদা মহাক্লা হায়, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## স্পিকর হল্লকখ্রে, জে দি-য়ুদগী বি জে পি ওনখ্রবা এম এল এ ৫গী দিসক্বালিফিকেশন কেসকী ৱায়েল ফেব্রুৱারী ৪দা পাঙথোক্লগনি


কে ঐচ জয়কিষন


ঙুরশাংলুর সনাতে


অসবউদ্দিন


টি ঐচ অরুনকুমার


এল এম খৌতে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :**
কুমজা ২০২২দা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক শেল্লকপদা জনতা দল -য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু) গী অপূনবা এম এল এ ৬না লৈঙাক অসিদা শৌগৎলকখিবগী মথক্তা চহীদুমক্কী সেপ্টেম্বর ১দা এম এল এ ৬কী মনুংদগী ৫না বি জে পিদা মর্জ তৌরে হায়দুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখিদুনা জে দি-য়ুদগী বি জে পিদা ওনশিনখিবগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা পিটিস্নর অহুম্না মখোয় মঙাগী মথক্তা দিসক্বালিফিকেশন পিটিশনশিং ফাইল তৌরকপদগী এসেমব্লিদা কন্সটিট্যুশনগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা লিংলিবা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা মমাঙ চহী ২০২৪গী ওগষ্টতা দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং লৌখৎলগা চত্থরকখিবা মখা তাবা ৱায়েল মথং থাগী ৪দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলগী মায়কৈদগী সেক্রেটরিনা মথং থাগী ৪দা চত্থগদবা দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং অসিগী ৱায়েলগী 'কোজ লিষ্ট' থোরকখ্রে।

দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং মায়োক্লরিবা এম এল এশিংনা কে ঐচ জয়কিষণ (থাংমৈবন্দ), ঙুরসাংলুর সনাতে (তিপাইমুখ), এম দি অসবউদ্দিন (জিরিবাম), থাংজম অরুনকুমার (ৱাঙ্খৈ) অমসুং এল এম খৌতে (চুড়াচান্দপুর) নি।

পনবা য়াবদি, এম এল এ মঙাগী মথক্তা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা লৌখৎপা দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং অসিগী অহানবা ৱায়েল সেপ্টেম্বর ২০, ২০২৪গী অয়ুক পুং ১১.৩০দগী ত্রাইব্যুনেল অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরনা চত্থখিবনি। অদুগা দিসক্বালিফিকেশন পিটিশনশিং অসিগী মায়োক্তা এম এল এ মঙানা মখোয়গী রিট্টন ষ্টেটমেন্ট/রিপ্লাইশিং পীরক্লবা মতম পীখিবনি।

অহানবা ওইনা দিসক্বালিফিকেশন পিটিশনশিং অসি লৌখৎলকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### শেনখায় লূপ অমগী এক্টিভ কাদর ২ ফারে : পুলিস

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :**
মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা 'ভোলন্টিয়র্স ৱেলফ্যের ফন্দ' কৌবা ওর্গনাইজেশন অমগী এক্টিভ কাদর অনী ফারে হায়রি।

ফারবা কাদরশিং অদুনা য়ুমলেম্বম খেলেন (৪০) অমসুং হুইদ্রোম লানঙম্বম (৩০) কৌই। মখোয় অনী শগোলবন্দ তেরা এরিয়াদগী ইম্ফাল এরিয়াদা এক্সটোর্শন চত্থবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

মখোয়দগী মোবাইল ফোন ২, লোক এন্দ কি অমা অমসুং দিমান্দ নোট অমা ফংলে হায়রি।

পনবা য়াবদি, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইন্টিগ্রেটেদ এন্টি এক্সটোর্শন সেল অমা শেমখ্রবনি।

## সুপ্রিম কোর্টতা চত্থরক্লিবা চীফ মিনিষ্টরগী 'ওদিও লিক' নি হায়বা কেসকী ৱায়েল ফেব্রুৱারী ৩দা মখা চত্থগদৌরি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা চত্থরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লান অসিগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা লান অসিগী ৱাথোকশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা হোৎনখিবনি হায়না মরাল শীরদুনা চীফ মিনিষ্টরগীনি হায়বা চাওরাক্লা মিনট ৪৮ লোম শাংবা ওদিও ক্লিপ অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা কুকি ওর্গনাইজেশন ফোর হ্যুমেন রাইট্স ত্রষ্ট (কে ও ঐচ আর টি) না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিশন (সিভিল) নম্বর ৭০২ ওফ ২০২৪গী মখা তাবা ৱায়েল মথং থাগী ৩দা চত্থরগনি হায়রি।

দাইরি নম্বর ৪৭০২৪/২০২৪গী মতুংইন্না সুপ্রিম কোর্টনা মেট্টর অসি মমাঙ চহী ২০২৪গী নবেম্বর ৮দা মতম অদুগী চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুড়না লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমনা লৌখৎতুনা খন্নবা হৌখিবনি। নুমিৎ অদুদা কোর্টকী মায়কৈদগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগীনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা 'ওদিও লিক' ক্লিপিং অদু কদাই ফাওবা চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি খঙদোক্লবগীদমক ভেরিফিকেশন চত্থনবা পাউতাক পীখিবনি।

অদুগা মেট্টর অসি থা অসিগী ২৮দা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস সঞ্জিব খন্নানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা লৌখৎলকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মণিপুরগী ফীভমসিদদি গান্ধীজিগী ৱাখল্লোন্না হেন্না চুনরক্লি : ইবোবী

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :**
মহাত্মা গান্ধীগী নন ভাইওলেন্সকী প্রিন্সিপল অমসুং আইদিওলোজিনা মালেম পূম্বদা নত্তনা মণিপুরদা হৌজিক চত্থরক্লিবা চহী অনী ফারক্কদৌরবা ভাইওলেন্স অসিনা মরম ওইরদুনা ষ্টেট অসি নীংখা তম্বা ফংলবসু ফংদবগা চপ মান্ননা লৈরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা ঐখোয় ময়াম পূন্না হোৎনমিন্নগদবনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পার্টি অসিনা শিন্দুনা মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবগী চহী ৭৭ শুরকপা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা মহাক্কী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মহাত্মা গান্ধীনা পামজরম্বা নন ভাইওলেন্সকী ৱাখল্লোন অদু ঙসিগী মীরোলনা তুং ইন্দুনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। বৃটিশনা লৈবাক অসিদা মীওৎ-মীনৈ চত্থদুনা চহী কয়া লোইলম লৈঙাক চলাইরম্বা মতমদা মহাক্লা নন ভাইওলেন্সকী খূৎলায়না মপাঙ্গল লৈখ্রবা বৃটিশপু লৈবাক অসিদগী তাম্থোকখিদুনা মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইহল্লম্বনি হায়খি।

মণিপুরদা ঙসি ওইরিবা ফীভমসিদদি মহাক্কী নন ভাইওলেন্সকী ৱাখল্লোন অদু হেন্না চুনরক্লে হায়রদুনা মহাক্কী ৱাখল্লোনগী মতুং ঐখোয়না ইন্দুনা পূন্না চৎমিন্নরবদি মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্কনি হায়খি।

মরম অসিনা ঐখোয়না গান্ধীজিগী মফমদা চুম্নগী লৈ-শু খরা কৎপা নত্তনা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী ঐখোয় খুদিংমক্না মীয়ামদা পীজনীংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ঙমখৈ পরিংগী লানফমশিংদা মণিপুরগী লালহৌবশিংগা খূৎ থোক্লবা লেপখিদ্রি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ২৭কী অয়ূক অঙনবা পুং ২.৩০ রোম তারকপদা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা য়ুংবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮৭না কোল্লিবা য়াঙৌপোক খুলগা নক্লনা লৈবা মফম অমদা মণিপুরগী লালহৌলূপ অমগী লান্মীশিং লৈরিঙৈদা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কে এন এ-বিগী কাদরশিংনা মায়কৈ অনীদগী থোমজিল্লক্তুনা অকনবা এটেক চত্থরকপদগী মণিপুরগী লালহৌলূপ অদুগী লান্মীশিংনসু মায়োক্লদুনা খূৎ থোক্লরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা ঙসি ফাওবদা তোঙান তোঙানবা ঙমখৈ পরিংগী লানফমশিংদা খূৎ থোক্লদুনা লাক্লি।

কে এন এ-বিগী কাদরশিংনা দ্রোন অমসুং রোকেটনচিংবা শীজিন্নদুনা অকনবা এটেক চত্থরকখিবনি। অদুম ওইনমক মণিপুরগী লালহৌলূপ অদুনা থৌনা ফনা মায়োক্লখিবদগী কে এন এ-বিগী মায়কৈদা অশি-অনা কয়া নংখিবগা লোয়ননা মখোয়দগী অফবা মখলগী খূৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখিবনি।

থৌদোক অসি থোরকপদগী মণিপুরগী অতোপ্পা লালহৌলূপশিংগী লান্মীশিংনসু রি-ইনফোর্সমেন্ট ওইনা চঙশিন্দুনা খূৎশম্নরগা ঙসি ফাওবদা কে এন এ-বি অমসুং মখোয়গী মপাং খূৎলায় পায়বশিংগা মায়োক্লরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২৭কী অহানবা লানফমদা আর পি এফকী লান্মী শঙলূপ পি এল এগী লান্মী অমা শোকপদগী লৈখিদবনি। অদুগা ঙসি ফাওবদা মখা তানা নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা লান শোক্লরকপদা মণিপুরগী লালহৌলূপশিংগী লান্মী খরসু অশোক অপন নংবদা নত্তনা লান্মী অনী লৈখিদ্রে হায়বগী পাউ সোশল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখি। অদুম ওইনমক ওফিশল ওইবা পাউদি ফংবা ঙমদ্রি।

### এসেম্লি : বিজিনেশ এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :**
মথং থাগী ১০গী অয়ূক পুং ১১দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী ৭শুবা মীফমগীদমক এসেম্লি অসিগী স্পিকরনা চ্যেরমেন ওইরিবা বিজিনেশ এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সী) গী মীফম মথং থাগী ৩দা পাঙথোক্লগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### লৈখিদবা এ আর ৫ শুরে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭কী লোন্নবা অহিংদা কৈথেল মানবী পি এসনা কোনবা লৈম্রামগী ৱারোইচিংদা লৈবা ৩৩-এ আর পোষ্টকী হবিলদার অমা য়াওনা পর্সনেল ৬ ফূদ পোইজনীংনি হায়দুনা রিমসতা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নরকখিবগী মনুংদা পূন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### 'দি দাইরি ওফ মণিপুর'

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :**
মহাকুম্ভ মেলাদা তোপ তোপ্পা মশক অমা ওইখিবদগী ভাইরেল ওইরকখ্রবী মোনালিশাবু শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর শানোজ মিশ্রানা মণিপুরগী মতাংদা পুথোক্কদবা মহাক্কী অনৌবা ফিল্ম 'দি দাইরি ওফ মণিপুর' দা মাঙজিল থাবা রোল লৌহন্নবগীদমক সাইন তৌনখ্রে হায়রি।

### ত্রক মনুংদা শিরল্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :**
ঙসি অয়ূক পুং ৯.১৫ রোম তারকপদা কোনুং মমাঙগী ত্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা খাল্লম্বা ৱাটর টেঙ্কর ত্রক এম এন-০৭/সী-৩৯২১গী মনুংদা ত্রক অসিগী দ্রাইভর ওইরমগনি থাজবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী য়েলাং খুলদগী থাংমৈপম জাজো (২৬) অপোকপা গ্রাসো জাজো কৌবা নহা অমা শিরগা লৈরল্লে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### কাংপোকপী : চীফ সেক্রেটরিনা মীফম পাঙথোকখ্রে


চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহবু কাংপোকপীদা তরাম্না ওকখিবা

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):** মণিপুর লৈঙাক্কী অনৌবা চীফ সেক্রেটরিগী অহানবা চীংগী খোঙচৎতা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা মফম অদুগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ইন্দিয়ন আর্মিগী স্পেশল ফোর্সশিংনা শীল্লগা লান্দারকপা লানফমদা মীয়ামগী নীংতম লান্মী হেন্থোইবা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রে : আর পি এফ

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ :** থা অসিগী ২৭কী অয়ূক অঙনবা পুং ২.৩০ রোম তারকপদগী ঙসি ফাওবদা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগা নক্লনা লৈবা মফম খরদা মণিপুরগী লালহৌলূপ খরদা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কে এন এ-বিনা মাঙ থাদুনা চঙশিল্লক্লগা চত্থরকখিবা এটেকতগী নাকল অনীগী মরক্তা লেপ্তুনা থোরক্লিবা লানদা লৈখিদ্রবা আর পি এফকী লান্মী শঙলূপ পি এল এগী সেকেন্দ লেফটিনেন্ট হেন্থোইবগী মফমদা রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) বঙ্কিমনা থোরকপা চেরোল অমদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।





থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা মীয়ামগী নীংতম লান্মী সেকেন্দ লেফটিনেন্ট হেন্থোইবনা হিংলিঙৈগী শক্তম

চেরোল অসিনা হায়, জন্যুৱারী ২৭, ২০২৫ নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়ন আর্মিগী স্পেশল ফোর্সশিংনা শীল্লগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### সেনাপতি : অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী মায়োক্তা ত্রাইপর্টাইট টোক পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস):** কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ৮দা মতম অদুগী লৈঙাক্না থোকপা নোটিফিকেশন নম্বর ১৬/২০/২০১৬-আরগী মতুংইন্না মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৯গী মথক্তা অনৌবা ৭ হাপচিনহনখিবা থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লিবা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) গী মীহুৎশিং য়াওনা ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা ত্রাইপর্টাইট মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মমাঙথক্তসু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা ওফিশলশিং য়াওনা মীফম পাঙথোকখ্রবসু য়ু এন সীগী দিমান্দ অসিগী মতাংদা লৈখাই তাবা ৱারেপ অমত্তা পুরকপা ঙমখিদ্রিবনি। ঙসিসু মমাঙগী মীফমগা চপ মান্ননা শরুক য়াখিবা নাকল অহুমগী মীহুৎশিংগী মায়কৈদগী য়াশিন্নবা ৱাফম পুরকপা ঙমখিদে। অদুম ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### গভর্ণরনা লুচিংদুনা মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা লৈ-শু কৎখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিবু বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতমহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি হায়দুনা লৈবাক অসিগী মপানি হায়দুনা শীংথানরক্লিবা মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবগী চহী ৭৭শুরকপা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## ঐগীদি পাবুংসু লৈখিদ্রে, য়ূমসু উৎ ওনখ্রে, লাইরিক্তা পূক্নিং চঙদুনা এগজাম থারগা ইপ্পাবু মী ওইনবা শেম্নীংই : স্বিটি

*রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী*
**হকথেংনবা পাউদম**
চুড়াচান্দপুরগী তোর্বুং ৱাইখুরোক্তগী খুঞ্জা

**(ঙরাংগী মখা...)**
মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লান অসিগী মনুংদা থোকপা থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা চুড়াচান্দপুরগী তোর্বুং ৱাইখুরোক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা থাংমৈবন্দগী থাও গ্রাউন্দদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী নুপীমচা অসিদা পাউচে অসিনা মখা তানা হায়, মোইরাংদা হাংলম্বা রিলিফ কেম্প অমদা চয়োল অমরোম লৈরগা অমুক কুম্বীদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হোংদুনা লৈরকখি। কুম্বীদগী অমুক নম্বোলদা লৈবা ইনে অমগী য়ূমদা নুমিৎ খরনি লৈরল্লবা মতুংদা থাংমৈবন্দগী রিলিফ কেম্প অসিদা লাক্তুনা লৈরকখিবনি।

হৌজিক্লা ক্লাস এলেভেন তম্লিবী নুপীমচা অসিনা মখা তানা হায়, লান হৌরকখিবা কুমজা ২০২৩ অদু ঐহাক্লা ক্লাস টেন কারকপা চহীনি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ঐবু পোকপা পাবুং লৈখিদ্রবসু ইহে ইশিং নীংথিনা তমদুনা তুংদা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা মী অমা হায়বদু ওইনবা প্রাইভেট স্কুলদা তমহনবীরকখিবনি। লাইরিক্কী ৱাখলদা ঐহাকসু পূক্নিং লুপচরম্বনি অদুবু ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা য়ূমদগী লাইরিক অমত্তসু পায়রগা চেল্লকপা নংখিদে।

রিলিফ কেম্পতা লৈরবা মতুংদসু নোংমৈ কাপ্পগী মখোল, মীশি-মীনা, য়ূম-কৈ মৈ থাবগী পাউনা নুমিৎ কয়ানি তূম্বা য়াখিদে। লাইরিক্তা পূক্নিং চঙশিনবসু ঙমখিদে। লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবা মীওই পূম্নমক লোইনা অৱা-মৈচাক নংলবা ঙাক্তনিনা রিলিফ কেম্প অমত্তদা তংদু লৈতানা লৈরকপা ফংলকখিদে। অদুবু পূন্সি অসি মী ওইনা হিংদবদি য়াদবনিনা হৌজিক লাইরিক্তা মায় ওনশিন্দুনা এগজামিনেশন কয়াদা শরুক য়ানীংই। ঐগী ইরেমখাক্কী ইপ্পাবুসু মী ওইনবা শেম্নীংই হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, য়ূমদা লৈরিঙৈদদি ঐবু পোকপা পাবুং লৈখিদ্রবসু কুম্মৈ-হরাও থোরকপদা ইমাদা, বোবোক্তা অমদি ইখুরা-ইন্দোলশিংদা ওইনদুনা অনৌবা ফিরোল অমত্তা ওইরবসু লৈহনখি অদুবু ঙসিদি ইমুং-মনুং পূম্নমক লাঞ্জেন্নদুনা লৈরে। চহী অমদা কুম্মৈ-হরাও অদুক্কী মতিক মরাং কায়বা মণিপুরনি। অদুবু কুম্মৈ-হরাওশিং অসি লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী ঐখোয়গীদি য়াওদ্রবা মাল্লে। মীৎনা উবা ফংদ্রবা শম্বল অমগী মনুংদা অৱাবা ৱাখলগী চৈথেং কয়াগা লোয়ননা হিংলক্লিবনি হায়রকখি। ঐখোয়না ইহে তম্বদা থেংনবা পুৱারীশিংদা অচৌবা লাঞ্জাও কয়া থোকখিবগী ৱারী তম্লি। (মথং-মথং)

## হৈরোক : এক্সটোর্শন চত্থরক্তুনা মীয়াম্বু অকি-অখং পোকহনবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস) :** তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা অমসুং হৈরোক খুলগী ৱাংমদগী লাকপা য়াল্লবা মীওই কয়ানা হৈরোক খুল মনুংদা কা হেনবা এক্সটোর্শনগী থবক চত্থরক্তুনা মফম অসিগী মীয়ামদা অকি-অখং পোকহনবগী মায়োক্তা ঙসি হৈরোকবী ক্লব ২৪গী অপূনবা এপেক্স বোদি ওইরিবা হৈরোক অপূনবা ক্লব অমদি হৈরোক অপূনবা মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা য়াল্লবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমগা লোয়ননা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায় পোলোগ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫